তেংবাং পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ হৌখিবা জনুৱারি ২৮দা ময়াং ইম্ফালদা লৈবা মজা হিরুল উলুম মদ্রাসাগী বাইও গ্যাস তৌবা তোইলেট পোকখাইরকপদগী মীওই ১ শিখিবা অদুগা ১না মখোং নাম্মা কক্তুনা ফমুংদা তাদুনা লৈরিবা দি পি মুসতাকিম (১৪) গী অৱাবদা শরুক য়াবা ওইনা মসাৱারা ৱাটসএপ গ্রুপনা লুপা লিশিং ২৫গী তেংবাং পীখ্রে হায়রি। গ্রুপ অসিনা লেপ্পা লৈতনা মখা তানসু অসিগুম্বা অৱা-অনা তারবশিংদা তেংবাং পীবগী থবক পায়খৎকনি হায়না গ্রুপ অসিগী এদমিন এম দি রিজৱান্না ফোংদোকখ্রে।

সিএবিগী মতাংদা...

অমসুং নেস্নেল লিদরশিং উন্নদুনা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা পুথোরকপদা ওপোজ তৌনবা তকশিনবা লৈখ্রে।

ঙসিগী খোংচৎ অসিনা মমাংগী খোংচৎতা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিল্লগা উন্নবা ফংলকখিদবা অদু খোংচৎ অসিদদি উপাই অমা তৌদুনা উন্নদুনা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা পুখৎপীদনবা, বিল অসি মুন্না খন্নদুনা নোর্থ ইষ্টতা মরু ওইনা মণিপুরদা চৎনহন্দনবা তকশিনগনি। খোংচৎ অসি হেন্না মায় পাক্লবা খোংচৎলোইশিংনা বিল অসিগী মতাংদা মীয়াম্না হৌরিবা ইহৌ অমসুং ইহৌদা অশোক-অপন, অৱা-অনা মায়োক্লরিবশিংগী ফোটোনচিংবশিং পুদুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা উৎতুনা খংহনগনি। খোংচৎ অসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু শরুক য়াদুনা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নগদৌরিবা অসি শোইদনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীয়াম্নসু বিল অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টি ১১গী খোংচৎ অসিদা সপ্পোর্ট তৌবিয়ু। খোংচৎ অসিদা বিল অসি পাস তৌদনবা অকনবা মওংদা তকশিনগনি। মমাংগী খোংচৎতা হোম মিনিষ্টরনা বিল অসিদা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টতা শোক্কদবা থবক তৌদনবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকপা লৈখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনসু বিল অসিনা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টতা শোক্লোই হায়বগী থাজবা লৈখ্রে। পার্লিয়ামেন্টকী বুলেটিন্দগী বিল অসি খন্ননবগী লিষ্টতগী ককথৎখিবা লৈখ্রে। অদুনা খোংচৎ অসি মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

বোম পোকখাইহল্লগ্নে..

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদদি শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা এটেক্ট তৌরম্লবা এস দি ও অদুগী মমীংনা কাইগৌলান কিপজেন অপোকপা লুনসাদ কিপজেন কৌই। হান্না দি সি কাংপোকপিদা এস দি সি (হেদক্কাটর) ওইনা থৌ পুরম্বদগী হন্দক্তা বুংতে চিরুগী এস দি ওনা প্রোমোৎ কাবদগী ঙরাং অসি মহাক্কী ময়ুমদা হরাও নুংঙাইবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা পাংথোকপনি। থৌরম অদুগী লোইশিল্লকপদা শকখঙদবশিংনা চাইনিস হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোখাইহল্লম্বগী থৌদোক্তা য়ুমগী থোং-থোংনাওগী মিংশেলশিং কাইখি। অদুবু কনাগুম্বা অমত্তা অশোক-অপন য়াওখিদে। ইমুং মনুংগী মায়কৈদগীদি মখোয়দা কনাগুম্বা লুপ অমত্তনা মমাংদা কিহন খংহনবসু লৈখিদে হায়রি।

থৌদোক অদু কুকি ইনপি কাংপোকপিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরদুনা থৌদোক অদু কনানা চথখিবনো হায়বা শেংদোরক্তুবদি মখল মখা কয়াগী খোংজং চথরগনি হায়রি।

মরক অসিদা বোম পোখাইহল্লম্বগী থৌদোক অদু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা কৈথেলমানবি ভিল্লেজ ওথোরিটি, কৈথেলমানবি ৱুমেন এসোসিয়েসন অমসুং কৈথেলমানবি য়ুথ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা তৈজাংবেংদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে হায়রি।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মিংদা লৈবা লম য়োনখিবা লৈতে

ঃনোমিতা

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা সগোলমাংদা লৈবা মণিপুর সরকারগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী এক্সটেন্সন ওফিসকী মিংদা লৈবা লম একর অমমুক চাওবা অসি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এমএলএ থোকচোম লোকেশ্বরগী ইমুং মনুংগী মীওই আরকে লক্ষিসনা কৌবী অমগী মিংদা লৈরম্লে, নামা পানশিল্লম্লে হায়রিবা অসি অরানবা যুম্ফম য়াওদবা শেমজিন শাজিনবা ৱাফমনি হায়না লম অসিগী মপু ওইরম্বা হৌজিকনা খুরাই সলাম্থোং নান্দেবম লৈকাইদা হোংদোক্তুনা লৈখ্রবী কেঐচ নোমিতা দেবীনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা নোমিতা দেবীনা হায়, মণিপুরদা লৈবা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া অমসুং প্রিন্ট মেদিয়া খরদা পিদিসিসি কৌবা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা লৈবা লুপ অমগী থৌদাম হেমসিং কৌবা অমনা এগ্রিকলচর এক্সটেন্সন ওফিস অসি এমএলএ লোকেশ্বরগী ইমুং মনুংদা মিং ওন্থোক্লম্লে হায়রিবা অসি রাজনিতিগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মানবা থৌওংনি। লম অসি ঐহাক্কী মিংদা লৈবা লমনি।

ইং ১৯৯৫ দা মতম অদুগী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এমএলএ ওইরম্বা কে বিনোইনা সগোলমাংদা লৈবা ঐহাক্কী লম অসি এগ্রিকলচর ওফিসকী এগ্রিকলচর এক্সটেন্সন ওফিস বিল্ডিং অমা শারগে, লম অসি কখোকপীরো, লম অসি কখোকপগীদমক চানবা সরকারগী থবককী পোষ্ট অমা ইমুং মনুংগী মীওই অমদা পীরগে হায়রকপদগী লম অদু পীথোকখি। লম অদু সরকারদা পীরে হায়বগী চে চাং দোক্যুমেন্টনচিংবা অমত্তা ইন্নখিবসু লৈতে।

সরকারনা মফম অদুদা এগ্রিকলচর এক্সটেন্সন ওফিস অমা শারবা মতুংদা মফম অদুদা দিপার্টমেন্টকী ওফিস ষ্টাফ কারক্তুনা থবক্লচিংবা অমত্তা তৌখিবসু লৈতে। ওফিসকী ষ্টাফ অমত্তসু লাকখিদে। অদুগা লম অদু কখোকপগীদমক সরকারগী চানবা থবক অমা পীগনি হায়খিবা অদুসু থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তনা মতম শাংনা লৈখি।

সরকারগী মফমদা কয়ারক হন্না য়ানখিবা ৱাফম অদু থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা হায়রবা ফাওবদা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তবদগী হায়রিবা লম অদুদা ওফিস শাবা অদু ঐহাক্না থিংজিঙ্খি। মতম খরা লৈরগা মফম অসিদা লৈরম্বা এগ্রিকলচরগী এক্সটেন্সন ওফিস অদু মতম অদুদা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইরম্বা ফেরোইজম পরিজাৎনা পোরোম্পাৎকী মফম অমদা হোংদোকখ্রে।

হায়রিবা এগ্রিকলচরগী এক্সটেন্সন ওফিস বিল্ডিং শারম্বা মফম অসিগা লোয়নন্না থংনন্না হৌজিক সগোলমাং পুলিস ষ্টেসন শারিবা লমগী শরুক অয়াম্বা অসি ঐগী মিংদা লৈবনি। হায়রিবা লমগী শরুকশিং অসিদা এমএলএ লোকেশ্বরনা পুলিস ষ্টেসন অমা শাজরগে অমসুং কেন্দ্রগী মীয়ামদা কান্নবা পীগদবা সরকারগী ওইবা দিভলপমেন্টকী থবকশিং পায়খৎনবগীদমক লৈজরগে হায়রকপদগী ঐহাক ইশাগী অচিনবা অমসু লৈবদগী এমএলএ লোকেশ্বরগী খুখাংদা মহাক্কী ইমুং মনুংদা য়োন্থোকখিবনি। পুন্না লৌ পরি ১ খরা হেনবগী মথক্তা থংনন্না লৈরিবা এগ্রিকলচর এক্সটেন্সন ওফিস ওইনা লৈরিবা শরুক অদুসু য়োঙ্গরগে হায়দুনা ইশানা য়োঙ্খিবনি। এমএলএ লোকেশ্বরনা ঐঙোন্দগী লৈখিবা লম অদুগী শরুক খরদা পুলিস ষ্টেসন অমসু শাখি।

ঐহাক ইশাগী মিংদা লৈজবা লম অসি সরকারগী মিংদা লৈবা লম ওইনা য়োনখিবা নত্তে। আরকে লক্ষিসানানা সরকারগী লম ওইনা লৈখিবসু লৈতে। ঐহাক্কী মিংদা লৈবা লম ওইনা য়োঙ্খিবনি।

ঐহাক ইশাগী মিংদা লৈবা লম অমবু অচিনবা অমদগী য়োঙবদা সরকারগী লমনি হায়না পুশিল্লক্তুনা ঐহাকপু সরকারগী লম অমবু নারোন্দা য়োন্থোকপা ঙম্বা মীওই ওইনা উহনবা পিদিসিসিগী থৌওং অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। রাজনিতিগী ওইবা ৱাফম পুশিল্লক্তুনা ঐহাক ইশাগী লম য়োঙববু মীয়ামদা লান্না উহনবিবা অসিনা ঐহাকপু ইজৎ লৈখা তহল্লে। মতুং মনাও পিদিসিসিনা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থবক অসি তৌবিরক্লনু হায়না নোমিতা দেবীনা ফোঙদোকখি।

থৌবালদা রেদিএন্টকী ই-রাইদ সোরুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ রেদিএন্ট গ্রুপকী ই-রাইদ সোরুম অমা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না থৌবাল অথোকপম অৱাং লৈকাই নেসনেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বীগী হেক মনাক্তা হাংদোকখ্রে। রেদিএন্ট গ্রুপনা অকোয়বগী ফিভমদা শোক্লোইদবা ইলেক্ট্রিক্লা চেনবা গাড়ী লমদম অসিদা মরাং কায়না মীয়ামদা ফংহন্নবা পান্দমদা কন্না খোং থাংজিল্লিবনি।

ঙসিগী সোরুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন থোংঙাম শ্যামোনা চিফ গেষ্ট, রেদিএন্ট গ্রুপকী মেনেজিং দাইরেক্তর নেপ্রাম রোমিওনা প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দ (এমপিসিবি) গী এসিষ্টেন্ট এনভাইরনমেন্টেল ইঞ্জিনিয়ার ঝাশঙ্কর থোকচোমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

রেদিএন্ট গ্রুপনা লৌখৎলিবা খোংথাংশিং অদুগী শল্লপ্পা ৱারোল থল্লদুনা গ্রুপ অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসার লোংজম লুপেশোরনা হায়, রেদিএন্ট গ্রুপনা লমদম অসিদা মৈখু থোক্তবা ইলেক্ট্রিকনা চেনবা গাড়ী মরাং কায়না ফংহন্নবা পান্দমগী মখাদা সোরুম অসি থৌবাল মায়কৈগী ওইনা ঙসি হাংদোকপনি, মথংনা মোইরাংদা হাংদোক্কনি। নোংমা নোংমগী শোকচিল্লক্লিবা ঐখোয়গী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ অসি খরদংদা ওইরবসু কন্নবা রেদিএন্ট গ্রুপনা ই-ভেহিকল অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্মী, অসিগুম্বা মখলগী গাড়ীশিং অসিদি মৈখু থোক্ত্রে, থাও তিংদ্রে, শিজিন্নবদা শেল ইচং চংদে, ইদুনা এনভাইরনমেন্তেল ফ্রেন্দলি ওই, ঈশিং নুংশিৎতা মোৎশিনহন্দ্রে, হৌজিক্কী মতমদা অসিগুম্বা গাড়ী অসি মীয়াম্না পাক শন্না শিজিন্নবগী তঙাইফদবা অদু লৈরে হায়খি।

রেদিএন্ট গ্রুপনা লমদম অসিদা থোক্লিবা নিল খোংবা অমদি ঈশিং নুশিৎ মোৎপা অসি হন্থনবা হায়দুনা মমাং থা জনুৱারি ১২ দা "গ্রীন মণিপুর কেম্পেইন" হৌদোক্তুনা অসিগুম্বা ই-রাইদ সোরুম অমা ঘরিদা হাংদোকখি। গ্রুপ অসিগী ৱাখল্লোন্দি "ঐখোয় পুন্না চাওখৎমীন্নসি" (লেট অস গ্রো তুগের) হায়বা অসিনি, মীয়াম্না ইলেক্ট্রিক্না চেনবা গাড়ী শিজিন্নবিদুনা হেন্না ফবা মণিপুর অমা ওইহনমিন্নসি হায়খি।

চিফ গেষ্ট ওইখিবা চিয়ারপার্সন টিঐচ শ্যামোনা রেদিএন্ট গ্রুপনা পায়খৎলিবা থৌরাং অদুবু থাগৎপা উৎখি। মহাক্না হায়, হৌজিক্কী মতমদা অসিগুম্বা গাড়ী মরাং কায়না শিজিন্নবগী মতম ওইরে, থৌবাল মায়কৈ অসিদা মখল কয়াগী গাড়ী থৌনরে, গাড়ীগী মশিং য়াম্না হেঙ্গৎলে, নিল খোংবগী চাংসু য়াম্না ৱাংলে, অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ই-গাড়ী শিজিন্নবনা তুংদা থোরক্কদবা তম্বা ঙমদবা অৱাবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি, লোয়নন্না ঐখোয়গী অকোয়বগী ফিভম লু নান্না থম্বদসু চাওনা মতেং পাংগনি হায়খি। পনবা য়াবদি, ঙসিগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ই-রাইদকী লোনি অনিদা গাড়ীশিং খুৎশিন্নখি। লোয়নন্না ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রেদিএন্ট গ্রুপকী ব্রান্দ এম্বাসেদর ওইরিবা শক্লাইরবা ফিল্ম এক্টর গুরুময়ুম বোনিদসু রেদিএন্ট গ্রুপকী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলসু তমখি।

সিএম ফমদগী রিজাইন তৌবিরো ঃ *জেদি(য়ু)*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসিনা রাজ্য সভাদা পাস তৌদুনা বিল অসিনা লৈবাক অসিদা মপুং ফানা চৎনহল্লকপা মতমদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং মরুওইনা মণিপুরদা শোকহল্লক্কদবা ওইরবদি বিল অসিগী মায়োক্তা চপ চানা থেংনদুনা সিএম ফমদগী থাদোক্কনি হায়না মীয়ামদা সিএম মশামক্না ফোংদোকখিবা অদু হৌজিক্তি বিজেপিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংনসু বিল অসি ফেব্রুৱারি ১২ দা রাজ্য সভাদা পুথোক্তুনা পাস তৌরগনি হায়না থাজবা থন্নরক্লিবা অসিগী মতুংইন্না মণিপুর সরকারগী সিএম মশামক্লসু সিএম ফমদগী রিজাইন তৌনবা থৌরাং তৌবিরো হায়না নিউ চেক্কোনদা লৈবা জেদি(য়ু) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটগী প্রসিদেন্ট হাংখনপাও তাইথুলনা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা বিল অসিনা লৈবাক অসিদা মপুং ফানা চৎনরকপা তারবসু মণিপুরগী ওইনা বিল অসিনা শোকহন্দনবা ক্লোজ অমা হাপ্লবা হোৎনরি হায়না সিএম মশানা মীয়ামদা ফোংদোকখিবা অদু হৌজিক্তি বিল অসি বিজেপিগী সেন্ত্রেল লিদরশিংনসু থা অসগী ১২ দা রাজ্য সভাদা পুথোক্তুনা পাস তৌরগনি হায়বগী থাজবা থন্নরক্লিবা অসিগী মতুংইন্না বিল অসিদা মণিপুর শোক্তনবা ক্লোজ হাপ্পী নৎত্রগা হাপতে হায়বদু মণিপুর সরকারগী সিএম মশামক্না বিজেপি সেন্ত্রেল লীদর নৎত্রগা ভারত সরকারগী লুচিংবশিংদগী খঙলম্লগদবা মাল্লি। মদুসু মীয়াম খঙনা সিএমনা লাওথোকপিবা চুমগনি হায়খি।

লমদম অসিদা লৈরিবা অখঙ অহৈশিংনা নৈনদুনা লৈবাক অসিদা করিগুম্বা বিল অসিনা মপুং ফানা চৎনরকপা তারগদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং মরুওইনা মণিপুরদা অচৌবা চৈথেং অমা পীগনি হায়না বিল অসিগী মায়োক্তা লৈবগী মথক্তা লোয়ারশিংনা ফাওবা বিল অসিগী মায়োক্তা খোংজং চংশিনখিবা লৈখ্রে।

লোয়নন্না বিল অসি লোক সভাদা পাস তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা বিল অসি শোয়দনা পাস তৌগনি হায়না জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনসু নৈনদুনা লাকপা মতমদা মমাং চহিগী মে ২০ দা জেপিসিগী মেম্বরসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী দিপ্যুটি চিয়ারমেনসু ওইরিবা মতম অদুগী জেদি(য়ু) গী নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ অমদি জেদি(য়ু) গী জেনরেল সেক্রেটরি মশামক্না ইম্ফালদা লাক্লম্বা মতমদসু বিল অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং মণিপুরদা অফবা ওইরোই হায়না ফোংদোক্লম্বসু লৈখ্রবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

বিল অসিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং মরুওইনা মণিপুরদা অচৌবা চৈফু অমা পীগনি হায়দুনা বিল অসিনা লোক সভাদা পাস তৌদ্রিঙৈদগী নৈনদুনা মায়োক্তা লাক্লিবা অসিদা মণিপুর সরকারগী সিএম মশামক্না বিল অসিনা করিসু তৌরোই হায়দুনা লাওদুনা লাক্লিবা অসিদা সিএমগী মথক্তা বিল অসিগী মথক্তা কনাগুম্বশিংনা লান্না ইন্তরপ্রিট তৌবদগী সিএমনা খঙদদুনা ফোংদোকপা ওইরল্লবদি লান্না ইন্তরপ্রিট তৌরিবশিং অদুনা দাইত্ব পুজসনু হায়খি।

নাকল অমরোমদা মণিপুর সরকারগী সিএমগী দ্রাইভরনা ব্যুজিনেস মেন অমদা লুপা লাক্ষ ৫০ গী রেন্সমগা মরি লৈননা আসামদগী ফারে হায়না থা অসিগী ৭ তা লমদম অসিদা ফোংবা পাউচে খরদা ফোংদোক্লখিবা থৌদোক অদুবু জেদি(য়ু), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা অদুগী কেস এনআইএ নৎত্রগা সিবিআইনা পায়হন্নবসু জেদি(য়ু), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী দাবী তৌরক্লি।

সিএবিগী মতাংদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী খোঞ্জেল তাবিদ্রবদি এনইআইদিপিনা ইলেক্সন বোইকোট তৌগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল গী মতাংদা ভারত সরকারনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী খোল্লাও অসি তাবিদনা নম্ফুদা পাস তৌখ্রবদি ইন্দিয়ানা চৎনরিবা দি ফেক্তো ইলেক্সন বোইকোট তৌরগা দি জুরি ইজেক্সন চৎনহন্নবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এনইআইদিপি) না হোৎনগনি হায়না সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চিয়ারমেন এন্দ মেনেজিং দাইরেক্তরসু ওইরবি নারেংবম সমরজিৎনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কংলৈপাক লোয়নশিল্লোন অপুনবা মরূপ (কলম), ইম্ফালগী ১৭ শুবা মপোক কুমওনগা মরি লৈননা কোম্বীরৈ গার্দেনদা পাংথোকখিবা থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইনসু শরুক য়াখিবা নারেংবম সমরজিৎনা ফোংদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা মণিপুর অসি মশাগী ওইবা কন্সটিট্যুসন লৈজদুনা নিংখা তন্না লৈজরম্বা ষ্টেট অমনি। নোর্থ ইষ্টদা লৈরিবা ষ্টেটশিংদগী তোঙানবা ষ্টেট অমনি। ইরোমদোম হিংজনবা মখল খুদিংমক্কী পুক্কে লনগৈশিং ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্মী। পুন্নমক অসি মাংহনবা চল্লোই হায়রদুনা কলমগুম্বা ইনাৎ ইরোল চাওখৎনবা হোৎনরিবা লুপ অসি সলাইনা মতম চুপ্পগী ওইনা য়োকখৎনবসু হোৎনগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা কলমগী প্রসিদেন্ট থিয়াম ওংবী সিল্লেমানা ফোংদোকখিবদা হৌজিক বেঙ্গালি মরক্তা লৈরম্বা লাইরিকশিং অসি মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্লবা থৌরাং তৌরিবা অসিদা অতোপ্পা লোনয়ান কয়া য়াওরিবশিং অসি ঐখোয়গী লোনদা লৈবশিং অদু ওন্থোক্লবা হোৎনমীন্নসি। মসিনা ঙসি অমসুং তুংগী মীরোলগী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বাশিং অদু ঐখোয়না কাওথোকপা চুল্লোই হায়নসু ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিল্লা পরিষদকী উপ অধকক্ষা ঙাশেপ্পম বিমোল, সাহিত্য একাদমি মণিপুরগী লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমার, এমএসএসদব্লিউবিগী হান্নগী চিয়ারপার্সন আর কে নোয়োনসনা, সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী এদভাইজর ডাঃ টিঐচ ব্রোজেন অমদি ডাঃ টিঐচ চন্দ্রমণিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরি লৈননা কলমনা চহি অমমম কান্নরগা পীবা লৈশাংথেম সোমানন্দা নিংশিং লোয়নশিল্লোন মনা ২০১৮ শমুরাইলাৎপম শান্তিবালানা ইবা ৱারিমচাগী লাইরিক 'মিংশেলনা কায়খ্রবদা' হায়বসিদা খুৎশিন্নখি। অমদি থা খুদিংগী ফোংবা 'লোয়নশিল্লোনগী নাচোম' গী ২ শুবা ভোল্যুম ইশু ৭ শুবা ফোংখিবগা লোয়নন্না ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক 'লংদাই' শৈরোলসু ফোংখি। থৌরম অদুদা অইবা ১১ না শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাংথোকখি।

সিএবিগী মায়োক্তা খোংজং চংশিনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ লোক সভাদা পাস তৌখিবা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়দুনা ঙসি ৱাংজিং হৈরোক লমখাইদা ৱাংজিং অপুনবা সনামহি লাইনিংলুপকী থৌমীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুগা মরি লৈননা ৱা ঙাংখিবশিংনা বিল অসিনা নোর্থ ইষ্টকী মরুওইনা মণিপুরগী মশিং য়ামজদবা য়েলহৌমীশিংদা চাওনা শোকহনগদবা, য়েলহৌমীশিং মুখৎখিনবগী মচাক ওইবা বিলনি, মসি হায়নরুবা নাইদনা ৱিথদ্রো তৌবনা পুন্নমক্কী অফবা ওইগনি হায়বা ৱাফমশিং থন্নখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা "য়েলহৌমী কল্লু", "সিএবি য়ানিংদে" হায়বনচিংবা থাবা প্লেকার্দ কয়াসু পায়নখি।

নাকল অমরোমদনা, তেন্থা অপুনবা মৈরা পাইবী লুপ অমদি ক্লব ওর্গনাইজেসন কয়ানা শিল্লগা ঙরাং নুমিদাং তেন্থাগী অকোয়বদা মীয়াম্না মৈরা রেল্লি চৎতুনা সিএবি য়ানিংদবগী খোল্লাও কয়া লাওখ্রে হায়রি।

এলপিজি গ্যাস কনেক্সন ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১০ঃ ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকপীখ্রবা প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা য়োজনা স্কিমগী মখাদা কুম্বী কেন্দ্রগী ওইনা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈরবা খঙ্গৎলবা ইমুং য়ুমথোং ২৩৪ দা কেন্দ্র অসিগী ওনরেবল এমএলএ এস বিরা সিংহনা ঙসি লেন্না গ্যাস কনেক্সন ফংহনবগী থৌরম অমা ঙসি কুম্বী সেতুপুর ময়াই লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাংথোকখ্রে।

বিজেপি কুম্বী মন্দল অমদি এম/ এস মাইবিয়া গ্যাস দিষ্ট্রিব্যুটর, মোইরাংনা পুন্না শিন্দুনা পাংথোকপা থৌরম অদুদা কুম্বী কেন্দ্রগী এমএলএ এস বিরা সিংহ, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন দব্লিউ প্রিয়োরঞ্জন, শাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ইবোমচা, বিজেপি কুম্বী মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস অঙৌসনা অমদি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর কয়ানা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কেন্দ্র অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা বেনিফিসরি ২৩৪ দা গ্যাস কনেক্সন খুৎশিন্নখিবগা লোয়নন্না হৌজিক ফাওবদা কুম্বী কেন্দ্রগী ওইনা স্কিম অসিগী মখাদা ইমুং ৮০৭ তা কান্নবা ফংহনখ্রে হায়রি।

ভারত সরকারনা এক্ট কয়া পাস তৌজরবসু ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা...

সিএবিগী মতাংদা মণিপুর প্রজা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোকপা থবক খক তৌরোই।

মণিপুর মীয়াম্না হৌজিক সিএবিনা লমদম অসিগী ইন্দিজিনস জাতি ফুরুপগী শক্তমদা অমসুং ষ্টেট অসিদা শোক্কদৌরে হায়না পাখৎলি। মীয়াম্না পাখৎনরিবা অসি চুমই। হৌজিক লৈরিবা মণিপুর সরকার অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শেম্বা সরকারনি। সরকার অসিনা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট মশক মুন্না খঙই। সরকার অসিনা প্রজাগী সেন্টিমেন্ট শোকপা থবক অমা ফাওবা খক তৌরোই। মসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি হায়না মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ভারত সরকারনা ষ্টেট অসিগী শোক্কদবা থবক তৌরক্লগাদি ষ্টেট সরকারনা মদুবু য়াবা খক ঙম্লোই। সিএবি অসি পাস তৌরবা মতমদা মণিপুরদা লৈরিবা ইন্দিজিনস জাতি কাংলুপ্তা শোৱক্কদবা ওইরগদি ষ্টেট সরকারনি, মিনিষ্টরনি হায়দুনা য়েংদুনা খক লৈথোক্লোই। মিনিষ্টর ফমদগী ঐগী ইরমদম লৈবাকনা হেন্না মরুওই।

ভারতকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু সিএবি অসিনা নোর্থ ইষ্টকী প্রজাশিংদা শোকহনগদবা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। বিল অসি পাস তৌরগা হেক্তা ষ্টেট অসিদা চেঙ অমসুং অলু পুরক্কদবদৌনা মপাল্লমদগী নন-মণিপুরী ফোরেন্নর কয়া মপোৎ মপোৎ পুরগা লাক্লগা ষ্টেট অসিদা দম দম হেক্তা থাদগদৌবনা লান্না উহনবদি ফত্তে। ত্রেন গারিদগা মীতোপ কয়া শঙ্গু শঙ্গু তোংলগা মণিপুরদা চংলক্কদবগী মওংদা অশেম্বা ফোটো থাগৎতুনা মীয়াম্বু মীপায়হনবগী থবক চথবদি লানগনি। অদুম্না হেক্তা তৌরগদৌবনা মীয়াম্না লান্না খনবিগনু, থাজবিগনু । মীয়াম্নসু মীপায়বিগনু।

পোলিটিকেল পার্টি খরনা সিএবিগী মতাংদা রাজনিতিগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপা লায়বক থিবনি। সরকার অসিগী মিনিষ্টর / এমএলএনা সিএবিগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফমবু মীয়ামদা লান্না অর্থ হনবিদুনা লান্না উহন্নবা হোৎনবসু তৌবিগনু।

হৌজিক লৈরিবা সরকার অসি মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংনা পুনশিন্দুনা শেম্বনি। প্রজানা য়াদ্রবদা কনাগুম্বা অমত্তনা সরকার পায়বা ঙম্লোই। এমএলএ / মিনিষ্টর সরকার হায়বা অসিদি হোংবা নাইগনি। প্রজানা য়াদবা নুমিৎতা লোয়রে। হৌজিক লৈরিবা মণিপুর সরকার অসিনা ষ্টেট অসিগী প্রজা মীয়াম, ইন্দিজিনস জাতি ফুরুপকী ইন্টরেষ্ট শোৱক্কদবা থবক অমত্তা তৌরোই হায়না শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, এদুকেসন য়াওদ্রবা খুন্নাই অদু চাওখৎপা খুন্নাই অমসুং লৈবাক অমনি হায়না লৌনদ্রে। লৈবাক অমগী চাওখৎপগী চাং অসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা এদুকেসনগী চাং য়েংলগা লেপ্পি। অন্দ্রো কেন্দ্রবু চাওখৎপা লমদম অমা পুরক্লবা এদুকেসনদা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। ভারত সরকারগী তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রিদগী অমসুং মফম কয়াদগী শেল্লুং লৌদুনা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মফম কয়াদা এদুকেসন চাওখৎহন্নবগী থবকশিং হৌজিক খুমাং চাওশিন্না চথবা ঙম্লি। এদুকেসন সেক্টরদা কেন্দ্র অসিদা অৱাৎপা অমা ফাওবা লৈহন্দনবা হোৎনগনি। এদুকেসন চাওখৎনবা ইশাগী লৈজবা পুন্নমক কখোক্কনি। মাইনোরিটিশিংনা খুন্দারিবা য়াইরিপোক নিংথৌনাইদা মল্টি সেক্টোরেল প্রোগ্রামগী মখাদা প্রাইমরি স্কুল অসিগী বিল্ডিং অসি শঙ্গাবনি। ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাংদা মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা সরকারগী স্কুল অয়াম্বা অসি মুশি মুশি শিদুনা লৈবা স্কুলগা চপ মান্নবা মহৈরোই মশিং নিংথিনা তমদনা লৈরমখি। ফত্তবা তমথিবা লায়না অমনা তবগুম্না সরকারগী স্কুল অয়াম্বদা মহৈরোই নিংথিনা লৈরক্তবগী ফিভমদা লৈখি।

অসুম্না সরকারগী স্কুলশিং অসি শিখরকপনা লমদম অসিগী তুংগী জাতিগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা কয়া অসি শিখরক্লবগী লম্বী ওইরকখি। মীওই অয়াম্বনা মচা মশুশিংবু প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তম্বা থানখ্রবসু মচা মশুশিংবু শেল য়াম্না পুথোক্তুনা প্রাইভেট স্কুলদা থাবা ঙমজদবা লায়রবা ইমুং কয়া অমগী ইমুং মনুংশিংগী মহৈরোইশিং মহৈ তম্বা তোকহনবগী ফিভমদা লাকখি।

অসিগুম্বা সরকারগী স্কুলশিং শিখরকপগী অৱাবা অসি অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুংদা লৈহন্দনবা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা সরকারগী স্কুল অয়াম্বগী ফিভম ফগৎহন্নবা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমসুং মৈরা পাইবীশিং অমসুং ইন্টলেকচুয়েল কয়াগা তান্নরগা পুন্না খুৎশন্নরা চৎমিন্নদুনা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা সরকারগী স্কুলশিংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনখি হায়না মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হান্নদি নিংথৌনাই প্রাইমরি স্কুলগী বিল্ডিং অসি শোরোক মপান্দা ফিভম য়াম্না শোক্না লৈরমখি। অদুবু ঙসিদি ফজরবা স্কুলগী বিল্ডিং অমা ওইনা থম্বা ঙম্লে। মসি মীয়ামগী মতেংদগী শাবা ঙম্বনি।

অন্দ্রো কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা সরকারগী স্কুলশিংগী বিল্ডিং নিংথিনা শাবা লোয়শিল্লক্লে। হায়রিবা স্কুলশিং অসি হেন্না চাওখৎহন্নবা এমএলএ ফন্দগী মখাদা থাদবা য়াবা শেনফম থাদদুনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলি। তুংগী মীরোল ফনবা অমসুং ইচা-ইশুশিংবু মতিক চাবা স্কুল এদুকেসনগী মঙাল ফংহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি। জাতি বিজাতি খায়দনা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনগনি। নিংথৌনাইগী মীয়ামদা অফবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা হোৎনগনি। নিংথৌনাইগী হৌজিক স্কুল তারিবা লম্বী অসি কয়লাস থাদুনা শেমজিনগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর সরকারগী মাইনোরিটি এফিয়ার্সকী দাইরেক্টর এনজি উত্তমনা হায়, ভারত সরকারগী ওইনা মাইনোরিটি এফিয়ার্সকী মখাদা ষ্টেট অসিগী ফংলিবা বজেট এল্লোকেসন অসি য়াম্না ফংবা নত্তে। হন্দক চহীগী ওইনা লাক্লিবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৩১ নি। মণিপুরদা মাইনোরিটিশিংনা খুন্দাবা মাইনোরিটি দিষ্ট্রিক্ট ৭ লৈ। হায়রিবা শেনফম অসিনা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চপ মান্ননা য়েন্থোকপা মতমদা লুপা ক্রোর ৪.৪০ খক ফংই। হৌজিক ফংলিবা শেনফম অসিনা প্রোজেক্ট স্কিম কয়া নিংথিনা পায়খৎপা ঙমদে।

মণিপুরগী ওইনা ফংলিবা এল্লোকেসন অদুগী মখাদা নত্তবীদা অন্দ্রো কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরিবা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা দিল্লিদা চৎতুনা অহেনবা প্রোজেক্ট স্কিম কয়াগী শেল্লুং অদুমক মিনিষ্ট্রিদগী লৌথদুনা লাক্লি। ইম্ফাল ইষ্ট কৈরাও বিত্র ব্লোক অসি মাইনোরিটিশিংগী ওইবা শেল্লুং কয়া লৌবা য়াবা ব্লোকনি। প্রোজেক্ট স্কিম কয়া মতম চানা লৌহৌরগদি মদুনা মণিপুরবু চাওখৎ লম্বীদা হেন্না মাঙলোমদা চংশিনবা ঙমগদৌরিবনি। অতোপ্পা ষ্টেটকা ওইনা চাওখৎ লম্বীদা হেন্না কম্পিটিসন তৌনসি। দাইরেক্টর এন জি উত্তমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হান্না মল্টি সেক্টরেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম হায়না খঙনরম্বা প্রোজেক্ট অসি প্রধান মন্ত্রি জন ভিকাশ কর্য়াক্রম(পিএমজেভিকে) হায়না মমিং ওনখ্রেহায়না দাইরেক্টর এন জি উত্তমনা ফোঙদোকখি ঙসিগী অদুগুম্লবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট সমিম মহম্মদ শাহনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE, IMPHAL IN BOTH SCIENCES AND ARTS
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI NEAR RIMS ROAD ; OPPOSITE TO KOIRENGEI AUTO PARKING
SEPARATE CBSE, BOSEM & COHSEM
2018 COHSEM SCIENCES TOPPERS
3RD POSITION Y. DEVAJIT
9TH POSITION P. BADAL
9TH POSITION KONICA N.
10TH POSITION KOURANGANBA
10TH POSITION L. IMOBA
15TH POSITION H. ARBIN
17TH POSITION SH. BIKISH
TIMES SCHEDULES
5.00 – 8.30 A.M.
11.00 –4.00 P.M.
3.00—7.30 P.M.
4.40 – 7.50 P.M.
2018 COHSEM ARTS TOPPERS
2ND POSITION T. SUNAINA
3RD POSITION Y. GUNCHENBA
5TH POSITION T. JAMES
5TH POSITION LOYANGAMBA
7TH POSITION K. OBED
8TH POSITION T. ORESH
SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE FOR EX-ACIAN STUDENTS
2. Rs 2,000/-OFF IN REVISION COURSE FOR GOVT. SCHOOL.
3. Rs 4,000/- OFF IN FOUNDATION COURSE FOR GOVT. SCHOOL.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN CLASS X EXAM
2018 BOSEM TOPPERS
11TH POSITION RAJESHORI
24TH POSITION MD. HANIF
17TH POSITION ASMA M.
FOR QUARY 9862992105
SPECIAL MEDICAL & ENGINEERING COURSE
REVISION COURSE FOR CLASS X & XII– 17TH DECEMBER '18
SEPARATE BOYS' & GIRLS' HOSTEL AVAILABLE
FOUNDATION COURSE FOR 2019 SESSION
VAN SERVICE BOTH IN MORNING & EVENING
CLASS | VI-X (BOSEM) | VI-X (CBSE) | XI-XII (SCIENCES COHSEM) | XI-XII (ARTS COHSEM) | XI-XII (CBSE ARTS & SC.)
DATE | 13th &28th FEB. | 28th FEB. | 13th & 28th FEB. | 13rd & 28th FEB. | 13rd JAN. & 28th FEB.

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 3rd Jan., 19
TOPPERS of 2018
1st Position Yaiphabi M.
2nd Position Patel Lairenjam
4th Position Malemnganbi Th.
4th Position Lydia Thokchom
5th Position Delina Soubam
5th Position Romney W.
7th Position Anjali Konjengbam
10th Position M. Pinky
10th Position Menthoi L.
11th Position Rajyashori Limbu
12th Position Advance N.
13th Position Oletina Thangjam
15th Position Varina Tojam
16th Position Lanchenbi L.
18th Position Sangita Yumnam
20th Position Th. James
20th Position Hocam Bank
21st Position Ch. Melodie
22nd Position Dhanika A.
22nd Position H. Vishal Singh
23th Position Lalina Laishram
23th Position N. Robikanta
99 in MAN AK Toshiba
VAN AVAILABLE
1. THOUBAL, LILONG, CANCHIPUR
2. OINAM, NAMBOL, MALOM
3. MAYANG - IMPHAL, SAMUROU
4. SEKMAI, MANTRIPUKHRI
5. MOIDANGPOK, KHUMBONG & PATSOI
6. PHEIDINGA, LANSANG, LANGOL
7. GREATER IMPHAL AREA
Form Available for Mock Test 2019
Date | Subject
10/1/19 | English
14/1/19 | Maths
16/1/19 | S.Sc.
19/1/19 | Addl.Sub
22/1/19 | Science
24/1/19 | MIL
Last Date of Form Submission 6th Jan.
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
STUDENTS OF NIRMALABAS, LITTLE FLOWER, HERITAGE, ST. JOSEPH, TINY TOTS, CATHOLIC SCHOOL, REGULAR, LEE FAITH & CHRIST JYOTI, DON BOSCO.
LIMITED SEAT
Contact - 7628946313 - 9402897710 - 8732022342